## অন্দ্রোদা এল পি জিগী খুদোংথিবদগী ঙাকথোক্নবা এৱ্যার্নেস পাঙথোকখ্রে

**ইম্ফাল, জুন ২০ (ঐচ এন এস) :** এল পি জি কঞ্জুমরশিংনা চাকথোং গ্যাস মতৌ করম্না শিজিন্নগদগে অমদি খুদোংথিগদবদগী করম্না চেকশিন থৌরাং লৌখৎকদগে হায়বগী মতাংদা এৱ্যার্নেস কম ত্রেনিং প্রোগ্রাম অমা ঙসি ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী অন্দ্রো মখা লৈকায়দা পাঙথোকখ্রে।

ওল গ্যাস কেয়র (এ জি সী) না অন্দ্রো মখা লৈকায় য়ুথ ক্লবকা খুৎশম্নদুনা ক্লব অসিগী শঙলেন্দা পাঙথোকখিবা এৱ্যার্নেস কম ত্রেনিং প্রোগ্রামদা লৈকায় অসিগী নুপা নুপী কয়ানা শরুক য়াখি। এ জি সীগী মেনেজর এস ঐচ জয়প্রকাশনা গ্যাস মতৌ করম্না শিজিন্নগদগে অমদি খুদোংথিবা থোক্তনবা চেকশিন থৌরাংগী মতাংদা দেমোন্সত্রেশনগা লোয়ননা শুগায়না তাকখি।

এৱ্যার্নেস প্রোগ্রামসিদা এ জি সীগী প্রোগ্রাম মেনেজর এন জয়সিং, এ জি সীগী কেয়র টেকর পি ঐচ নবকুমার, ফিল্ড এসিষ্টেন্ট য়ুম্নাম অশিনি অমদি অতৈ ওফিসল কয়াসু শরুক য়াখি।

## অমরুটনা ময়াং ইম্ফাল সেল্ফ হেল্প গ্রুপকা খুৎশম্নদুনা উ চারা থাখ্রে

**ইম্ফাল, জুন ২০ (ঐচ এন এস) :** ৱর্ল্ড ইনভাইরনমেন্ট দেগা মরী লৈননা ঙসি ময়াং ইম্ফালদা অটল মিশন ফোর রিজুভেনেশন এন্দ অর্বান ত্রান্সফোর্মেশন (অমরুট) দিপার্টমেন্টকী ষ্টাফশিং লাক্তুনা ময়াং ইম্ফাল ম্যুনিসিপল কাউন্সিল (এম আই এম সী) গী ষ্টাফশিংগা খুৎশম্নদুনা ময়াং ইম্ফালগী অকোয়বদা ৱিমেন ফোর ত্রীজ হায়বা থিমদা ঐখোয়বু পোকপীবা ইমাগী মিংদা ময়াং ইম্ফালগী সেল্ফ হেল্প গ্রুপ ৩ গা লোয়ননা উ চারা ১০০ রোম থাখ্রে। থৌরমসিদা এম আই এম সীগী চেয়রপার্সন অসেম রাধামনি অমদি ঈ. ও সু শরুক য়াখি। অসেম রাধামনিনা ফোঙদোকখিবদা ৱর্ল্ড ইনভাইরনমেন্ট দে খক্তদা উ চারা থাবগী থৌরম পাঙথোকপা অসি য়ানিংদে। অতোপ্পা মতমদসু উ চারা থাবগী থৌরমশিং পাঙথোকসি। অকোয়বগী ফীভম কায়থরক্পা অমদি উমং ৱামং কয়া কোকথোক্লকপনা শাবগী চাং হেনগৎলক্লিবনি। মসিদা নত্তনা তমথিরবা লায়না তিলনা কয়া থোরক্লি। পুম্নমক অসিদগী ঙাকথোক্নবা ঐখোয়না উ থাদুনা হোংলক্লিবা অহিং অশাগী খল কন্ননবা হোৎনসি হায়খি।

## থেঙ্গু অমা খুৎশিন্নখ্রে

**ইম্ফাল, জুন ২০ (ঐচ এন এস) :** নোংচুপ হারম খোর্জেই লুপ (নোহাখোল) গী জেনরেল সেক্রেটরি শাদোকপম বিরজিৎনা কল্লকখিবা থেঙ্গু অমা ঙসি ইরোইশেম্বদা লৈবা জুলোজিকেল গার্দেনদা খুৎশিন্নখ্রে হায়না লুপ অসিনা থোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

থেঙ্গু অসি হন্দক থোকখিবা ঈশিং ঈচাও মনুংদা মোংশাঙ্গৈদা লৈবা পোষ্ট ওফিসকী ব্রাঞ্চ মমাংদা নম্বুল তুরেলদগী কাখৎলকপা থেংনবদগী বিরজিৎনা কল্লকখিবনি হায়রি।

ঙসি থেঙ্গু খুৎশিন্নবগী থৌরম অদুদা বিরজিৎনা ফোঙদোকখিবদা লম্লক্কী শা-উচেকশিংবু ঐখোয়না য়োক্তুনা থম্ননবা হোৎনসি। লম্লক্কী শা-উচেকশিংনসু ঐখোয় মীওইবদা তোঙান তোঙানবা হীরমশিংদা কান্নবা পীরিবনি। লমদমসিদা ফংবা মমল য়াম্লবা শা-উচেক কয়া তপ্পা তপ্পা মাঙশিল্লক্লি। মাঙশিল্লক্লিবা শা-উচেকশিংগী মশিং হেনগৎহন্নবা হোৎনবা মথৌ তাই। কৈদৌঙৈদা শা-উচেকশিংবু হাৎতুনা চারোইদবনি। লম্লক্কী শা-উচেকশিং কনবদা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংনসু অঙন্বা থৌদাং লৌমিন্নসি হায়না মহাক্না মরী লৈনবশিংগী পুক্নিং চিংশিনখি।


# রিজার্ভ বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া

হ্যুমেন রিশোর্স মেনেজমেন্ট দিপার্টমেন্ট
লিলাশিং খোংনাংখোং, ওপ্পোজিট মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লি
ইম্ফাল - 795001

## টেন্দর নোটিশ / টেন্দর নোটিশ

রিজার্ভ বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া, ইম্ফালনা মতিক চাবা কার রেন্টেল সর্ভিস পীবা ঙমগদবা এজেন্সিশিংদগী বেঙ্ক অসিগী এমপেনেলমেন্ট ওইননবা ই-টেন্দর পার্ট অনিদা য়াওবীননবা কৌজরি।

য়াওবিনিংবশিংনা অকুপ্পা মরোলগীদমক বেঙ্ক অসিগী ৱেবসাইট www.rbi.org.in দা চঙবীদুনা খঙবীবা য়াগনি নত্রগা HRMD, RBI, ইম্ফালদা কন্টেক তৌবীবা য়াগনি।

টেন্দর অসি MSTC পোর্টেল www.mstcecommerce.com/eprocn দা থাজিনবগী অরোইবা মতমনা July 29, 2025 গী নুংথিল পুং ২ তাবা মতমদা ওইগনি।

জেনেরেল মেনেজর (OIC)
ইম্ফাল

HL-B/9654/21

# রিজার্ভ বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া

হ্যুমেন রিশোর্স মেনেজমেন্ট দিপার্টমেন্ট
লিলাশিং খোংনাংখোং, ওপ্পোজিট মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লি
ইম্ফাল - 795001

## টেন্দর নোটিশ / টেন্দর নোটিশ

রিজার্ভ বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া, ইম্ফালনা মতিক চাবা ফার্মশিংদগী (ফার্মাসি) মেদিশিন সপ্লাই তৌননবা ই-টেন্দর পার্ট অনিদা য়াওবীননবা কৌজরি।

য়াওবিনিংবশিংনা অকুপ্পা মরোলগীদমক বেঙ্ক অসিগী ৱেবসাইট www.rbi.org.in দা চঙবীদুনা খঙবীবা য়াগনি নত্রগা HRMD, RBI, ইম্ফালদা কন্টেক তৌবীবা য়াগনি।

টেন্দর অসি MSTC পোর্টেল www.mstcecommerce.com/eprocn দা থাজিনবগী অরোইবা মতমনা July 29, 2025 গী নুংথিল পুং ২ তাবা মতমদা ওইগনি।

জেনেরেল মেনেজর (OIC)
ইম্ফাল

HL-B/9654/21


